

# সনালৈবাক স্পোর্টস



*হান্না ন্যু জিলেন্দ ক্রিকেট টিমগী কোচ ওইরম্বা মাইক হেসনন্না লৈবাক অদুগী ক্লব ব্রেক কেম্পকী কোচ ওইখিবদগী টিম অসিগী নৌনা কোচ ওইবগী থৌদাং শিন্নখ্রবা গেরি স্টিদ*

*ইন্দিয়ান সুপর লীগকী লাক্কদৌরিবা সিজন অসিদা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্লনবা এফসি গোৱা সিটিদা নৌনা সাইন তৌখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী টোপ দিভিজন এ-লীগকী ক্লব এদিলেট য়ুনাইটেদদা শান্নরম্বা স্পেনিস ৱিঙ্গর মিগুয়েল পালানকা*



## মেরি কোমনা মণিপুরগী নুপী বোক্সর সর্জুবালা দেবীবু এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল লৌনবগীদমক পূক্নিং থৌগৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৫ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৮ দগী হৌগদৌরিবা এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্মৈ ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা মণিপুরদগী হৌখিবী নুপী বোক্সর সর্জুবালা দেবীবু গেমস অসিদা গোল্ড মেডল লৌনবগীদমক ইনিদয়াগী নুপী বোক্সিং লিজেন্দ এমসি মেরি কোম্না পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিদা গোল্ড মেডল লৌগনি পানরিবা মণিপুরগী বোক্সর সর্জুবালাবু বোক্সিং লিজেন্দ অসিনা 'ব্রাইটেষ্ট ষ্টার' হায়বা মীংথোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখিবনি।

এসিয়ান গেমস অসিগী বোক্সিং দিসিপ্লিনগী কেজি ৫১ কেটেগোরিদা শরুক য়াগদৌরিবা সর্জুবালা দেবী চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।



*মণিপুরদগী হৌখিবী নুপী বোক্সর সর্জুবালা দেবী*

সর্জুবালা দেবী হৌজিক-হৌজিক মীয়াম্না নেক্স মেরি কোম হায়না খঙনরিবনি। সর্জুবালা দেবী কেজি ৪৮ কেটেগোরিদা কম্পিট তৌরিবী বোক্সরনি। অদুবু এসিয়ান গেমস অসিদা কেজি ৪৮ গী বাওট লৈতবা মরম্না কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

সর্জুবালানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা চহী অসিগী জনুৱারীদা পাঙথোকখিবা রোহটাক নেসনেলসদা মহাক কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারুরে। মদুদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। অদুগা কেটেগোরি অসিমক্তা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট অনী শরুক য়ারুবদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

সর্জুবালানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক খুদিংমক্তা অহোংবা পাম্মী মরম অদুনা অহানবা ওইনা মহাক্কী শম অদু গোল্ডন মচু শঙখিবনি। মসিনা তাক্লিবদি হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিদা গোল্ড লৌনবগী পান্দম থল্লি হায়নসু সর্জুবালানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সর্জুবালানা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী বোক্সিং দিসিপ্লিনগী কেজি ৫১ কেটেগোরি অসিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙম্লবদি কুমজা ২০২০ দা জপানন্না য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমগদৌরিবনি।

সর্জুবালা দেবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন কয়ারক ওইবা ঙমখ্রবী এমসি মেরি কোমনা ত্রেনিং চথরকখিবা একাদেমী অদুদা মহাকসু ত্রেনিং চথখি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এসিয়ান গেমস অসিদা মহাক্না থিন্নগদৌরিবা বাওট অদু মেরি কোমনা য়েংবিদুনা কদাইদা শোয়রিবনো হায়বদু মঙোন্দা খঙহনবিনবসু হায়জখি।

## এসিয়ান গেমসকী টৌর্চ ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জার্কটাদা থুংখ্রে

*জার্কটা, ওগষ্ট ১৫ঃ*



ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি অনী জার্কটা অমসুং পালেম্বাংদা থা অসিগী ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী টৌর্চ ঙসি জার্কটাদা থুংখ্রে।

এসিয়ান গেমস অসিগী হৌদোকপগী টৌর্চ অসি গেমস অসিগী অহানবা ইদিসন পাঙথোকফম ওইরিবা ইনিদয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা ধ্যান চান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদগী পুরকখিবনি।

মমাঙ থাগী ১৭ তগী পুরকখিবা টৌর্চ অদু ঙসি গেমস অসিগী পাঙথোকফম ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জার্কটাদা থুংলখিবনি। টৌর্চ রিলে অদুদা মীওইনা ১০,০০০ রোম্না লৈবাক অসিগী মার্চিং বেন্দ, ত্রেদিসনেল দান্স অমসুং ঈশৈ-নোংমাই তৌদুনা সাউথ ৱেষ্ট এসিয়াগী আর্কিপেলাগো নেসনশিং ফাওদুনা পুরকখিবনি।

থা অমা চঙনা পুরকখিবা টৌর্চ রিলে অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী বেদমিন্টন লিজেন্দ রুদি হারটোনো, ইকুক সুগিয়ার্টো অমসুং রিক্কি সুবাগজা শরুক য়াখি।

ঙসি জার্কটাদা থুংলগখিবা টৌর্চ অসি থাংজ নুমিৎতা গেমস অসিগী হৌদোকফম ওইরিবা গেলোরা বুং কার্নো ষ্টেদিয়মদা পুরক্লগনি।

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিদা এসিয়াগী লৈবাক ৪৫দগী এঠলিট ১১,০০০ অমসুং ওফিসিয়েল ৫,০০০ না শরুক য়াগনি।

## ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসি স্পেন টুরগী অরোইবা মেটচতা বার্সেলোনা বিগী মখূত্তা পাঞ্জল ০-৩ দা মায়থিখ্রে

*বার্সেলোনা, ওগষ্ট ১৫ঃ*



*বেঙ্গালুরু এফসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি (ময়ায়)না বার্সেলোনা বিগী মায়োক্তা বোল কাউশিন্নবা হোৎনবা*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিনা স্পেন টুরগী মনুংচন্না ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেটচতা মফম অদুগী ক্লব বার্সেলোনা বিগী মখূত্তা পাঞ্জল ০-৩ দা মায়থিদুনা কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।

বেঙ্গালুরু এফসিনা য়ুম্বু ওইদুনা স্ত্রি কান্টিরভা ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২২ দা টুর্কমেনিষ্টানগী ক্লব অল্টিন এসিয়র এফ কেগা শান্নগদবা এএফসি কপ ইন্টর-জোন সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্লনবা স্পেনগী টুর অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এআইএফএফ) না শিনখিবনি।

স্পেন টুরগী মনুং চন্না বেঙ্গালুরু এফসি অমসুং বার্সেলোনা বিনা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ২০শুবা মিনট চঙশিল্লকপদা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিনবা য়াবা খুদোংচাবা খরা ফংখি। বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা মিকুনা বার্সেলোনা বিগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা পীরকপা বোল অমা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা নীংথিনা কলেক্ত তৌরগা গোল তম্না কাউশিনবদা বার্সেলোনা বিগী গোলকিপর ইজকিয়েটোনা ফাখিবদগী বেঙ্গালুরু এফসিনা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল চনশনবা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা বার্সেলোনা বি গী শান্নরোইশিংনসু বেঙ্গালুরুগী মায়োক্তা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা বিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা বেঙ্গালুরু এফসিগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথরকখি। শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা বার্সেলোনা বিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মোনচুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেঙ্গালুরু এফসিবু ১-০ দা হেন্দুনা চৎখি।

বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা বার্সেলোনা বিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই কার্লেস পেরেজনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেঙ্গালুরু এফসিবু ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অনী মাঙজিল থারবা বার্সেলোনা এফসিনা মেটচ অদু মখা তানা শান্নরকপদসু বোল হেন্না পায়দুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা বার্সেলোনা বিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা কার্লেস পেরেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা বেঙ্গালুরু এফসিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখ্রবসু বার্সেলোনা বিগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিদবা অমদি বার্সেলোনা বিগী শান্নরোইশিংনসু মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদবদগী স্পেন টুরগী অরোইবা মেটচ অদু বার্সেলোনা বিনা বেঙ্গালুরু এফসিবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

## মশাগী চহী ১৪ শুরবা নিহাল সারিন ইন্দিয়াগী ৫৩শুবা গ্রান্দমাষ্টর ওইরে

*অবু দাবী, ওগষ্ট ১৫ঃ*



য়ুএইগী কোনুং অবু দাবীদা চথরকপা অবু দাবী মাষ্টর চেছ টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌদুনা মশাগী চহী ১৪ দা ঙাইরিবা নিহাল সারিনন্না ইন্দিয়াগী ৫৩শুবা গ্রান্দমাষ্টর ওইরে।

অবু দাবী মাষ্টর্স চেছ টুর্নামেন্ট অদুদা নিহাল সারিনন্না মেটচ ৯ শান্নবদা পোইন্ট ৫.৫ ফংদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। নিহাল সারিন হৌজিক-হৌজিক ইএলও রেট্টিং ২৫৫৬ ফংলি।

নিহালনা টিভি২ ফাগরনেসদা অহানবা গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম ফংবা ঙমখি। অদুগা রেকভিক ওপনদা মহাক্কী অনীশুবা গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম ফংবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর কোন্সটেন্টিন লুপুলেস্কুগা দ্রো চৎখি। অদুগা ৮শুবা গেমদসু উজবেকিস্টানগী গ্রান্দমাষ্টর টেমুর কুবোকারোভকা দ্রো চৎপা ঙমখিবনি।

অবু দাবী মাষ্টর্স চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই নিহাল সারিনন্না য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী লিজেন্দরি চেছ শান্নরোই বিস্বানাথন আনন্দনা কুমজা ১৯৮৮ তা ইন্দিয়াগী অহানবা গ্রান্দমাষ্টর ওইবা ঙমখিবনি। অদুগা নুপীগী কাঙলুপ্তা কুমজা ২০০২ দা ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোই কোনেরু হম্পিনা অহানবা ৱুমেন্স গ্রান্দমাষ্টর ওইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী আর প্রাগানন্ধানা ৫২শুবা গ্রান্দমাষ্টর ফংদুনা মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী নহা ওইবা গ্রান্দমাষ্টর চহী ১২ গা থা ১০ অমসুং নুমিৎ ১৩ দা ফংবা ঙমখি।

## ৱুমেন্স চেলেঞ্জর ট্রোফিদা ইন্দিয়া রেদনা ইন্দিয়া ব্লুবু রন ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে

*বেঙ্গালুরু, ওগষ্ট ১৫ঃ*



ৱুমেন্স চেলেঞ্জর ট্রোফিদা ইনিদয়া রেদনা ইন্দিয়াবু ব্লুবু ভিজেদি মেথদদা রন ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদু ইন্দিয়া ব্লুনা বেট্টিং হান্না তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১০০ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়া ব্লুগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা মিথালি রাজনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা রন ৫১ লৌরমখি। অনীশুবা বেটসৱুমেন ভেলাস্বামী ভনিথাগী রন ১২ অমসুং অহুমশুবা বেটসৱুমেন দায়ালান হেমালাথানা লৌরম্বা রন ১১ অদু টিম অদুগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। অতোপ্পা টিম অসিগী বেটসৱুমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়া রেদকী বোল্লিং মায়কৈদা টিপি কনৱারনা রন ১৬ পীরগা ইন্দিয়া ব্লুগী ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি। অতোপ্পা বোল্লর দিপ্তি শর্ম্মসু ইন্দিয়া ব্লুগী ৱিকেট ২ লৌরগা রন ১৫ পীখি।

ইন্দিয়া রেদনা মায় পাক্নবগী রন ১০১ গী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ১৭কী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৭৯ লৌদুনা লৈরিঙৈদা নোং তারকপদগী মখা তানা শান্নবা য়াখিদবদগী ভিজেদি মেথদতা ইন্দিয়া রেদনা ইন্দিয়া ব্লুবু রন ৭ তা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়া রেদকী মায়কৈদগী কেপ্টেন দিপ্তি শর্ম্মনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা আওট ওইদনা রন ৪৫ লৌরমখি। ৫শুবা বেটসৱুমেন মোনা মেস্রামনা আওট ওইদনা রন ১৪ লৌরম্বা অদু টিম অদুগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

## য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা অমসুং কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভ সিনসিনাটি ওপন টেন্নিসকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৩শুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*মেসোন, ওগষ্ট ১৫ঃ*



*নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা স্বিটোলিনা (ওই) অমসুং সাপোভালোভ*

য়ুএসএগী সিটি মেসোনদা চথরিবা সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা অমসুং কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভ নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা রুশিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভাবু সেট ২-১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা সেট য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনানা কুজনেটসোভাবু টাই ব্রেক্তা ৭-৬(৭-১) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা রুশিয়াগী কুজনেটসোভানা য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা কুজনেটসোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদোনোভিস লম্বা তৌনরগনি।

৮শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসপু সেট অহুম চঙনা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৬-৩, ২-৬, ৬-৩ দা থোইরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙলকপনি।

অমরোমদা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা অহুমশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌগদৌরিবী ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদোনোভিসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোই ভিক্তোরিয়া কুজমোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-৩, ৬-০ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙলকপনি।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভনা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই বৃটেনগী কাইল এদমুন্দবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট কানাদাগী সাপোভালোভনা এদমুন্দগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীমক গেম ৫-৫ দা মান্নরম্লবা মতুং থংনবা পোইন্ট অনী কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভনা লৌখিবদগী সেট অদু ৭-৫ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং লিওনার্দো মেয়র লম্বা তৌনরগনি।

স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী শান্নরোই পি গোজোজিকপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-৪, ৬-৪ দা থোইরমখি।

অদুগা আর্জেন্টিনাগী লিওনার্দো মেয়রনা ঙসি শান্নখিবামহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী লুকাস পোলিবু ৭-৬(৯-৭), ৬-৪ দা থোইরম্বনি।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী বি ক্রেজসিকোভা অমসুং কে সিনিয়াকোভানা রোমানিয়াগী আর ওলারু অমসুং রুশিয়াগী ভি ভোনারেভাবু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪-৬, ৬-৪, ১০-৭ দা থোইরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।